**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদসু অহুমসুবা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্কুনা অপুনবা কেস ৪০৪ লোইশিন্দুনা লুপা কোতি ৫ হেনবগী শেনফম সেটল তৌখ্রে।

২) করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- ভারতনা ঙসি মালেমদা শক্তি লৈরবা অমদি মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমা ওইনা লৈবা ঙল্লিবা অসি সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী চাউরবা খুদোল অমনি।

৩) অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

৪) ভারতনা য়ুম্লু ওইদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা ১৮ শুব ব্রিক্স মীফম নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) নুপীগী জ়নিয়র এসিয়া কপ হোক্কিদা ভারত ফাইনেল চংলে।

------

লোক অদালট (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা হাই কোর্ট লিগেল সার্ভিসেস কমিতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিশিংগা খুৎশমনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অহুমসুবা

নেসনেল লোক অদালটনা পুন্না কেস ৪০৪ লোইশিন্দুনা লুপা কোতি ৫ হেনবগী শেনফম সেটল তৌখ্রে।

নেসনেল লোক অদালট অসি রাজ্য অসিগী জ্‌দিসিয়েল দিষ্ট্রিক্ট ৯ অমসুং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা পাঙথোকখি। লমফেলপাৎতা লৈবা লমফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা চথখিবা লোক অদালট অদু হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী পেট্রোন ইন-চিফ জষ্টিস এম. সুন্দর অমসুং হাই কোর্টকী জজ অমদি হাই কোর্ট লিগেল সার্ভিসেস মণিপুরগী চেয়ারমেন জষ্টিস এ. গুনেশ্বরনা হকথেংননা য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা চীফ জষ্টিসনা লোক অদালট এৱার্দসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা চীফ জষ্টিস এম. সুন্দরনা হায়- লোক অদালট অসি তোঙান তোঙানবা কেসশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা লম্বী অমনি। ঙসিগী লোক অদালট অসিদা জ্‌দিসিয়েল দিষ্ট্রিক্ট ৯ দা বেঞ্চ ১০ হাংদুনা তোঙান তোঙানবা কেসশিং লৌখৎতুনা লোইশিন্নবা হোৎনখি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা বেঞ্চ ৩ হাংদুনা তোঙান তোঙানবা কেসশিং লৌখৎখি। হাইকোর্টকী ওইবা কেসশিং খন্ননবগীদমক অহেনবা বেঞ্চ অমা হাংখি।

ঙসি চথখিবা লোক অদালট অদুদা মণিপুর পুম্বগী ওইনা বেঙ্ক রিকভরি, মেট্রিমোনিয়েল দিস্প্যুট অমসুং ক্রিমিনেল কেস য়াওনা পুন্না কেস ৪৪৯ লৌখৎখি। মসিগী মনুংদা অপুনবা কেস ৪০৪ লোইশিন্দুনা লুপা কোতি ৫ লাখ ২০ হেনবগী শেনফম সেটল তৌখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা ঙসি অহুমসুবা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিনবা থৌরম অদুদা বেঙ্ক মরিগী রিকভরি ওইনা লুপা লাখ ৪ লিশিং ৩৬,৫০০ খোমগৎপা ঙমখি।

শ্যাম (এল)ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- ভারতনা ঙসি মালেমদা শক্তি লৈরবা অমদি মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমা ওইনা লৈবা ঙল্লিবা অসি সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী চাউরবা খুদোল অমনি।

রিলিফ সেন্তর ফোর দ ৱেলফ্যার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়- সরদার ভল্লবভাই পাতেলনা অপুনবা, মপাঙ্গল কনবা ভারত অমা শেমনবা কন্না হোৎনরমখি। মহৈরোইশিংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী শ্যামনা হায়- মহৈরোই অমগী মায় পাকপা অসি মহাকা পরিক্ষাদা মকোক থোংলকপা অদুখক নত্তে। মহৈ তম্বা লোইরবা মতুংদা মহাকা খুনাইগীদমক লৌরকপা থৌদাংশিংনা মহাক্কী মগুন লেপকদৌরিবনি। হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা সোসিয়েল মিদিয়াবু অচুম্বা অফবা মাইকৈদা শিজিন্ননবসু শ্রী শ্যামনা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলগী জোইন্ট সেক্রেতরি ঙাঙোম উতম য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সনামহি (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ ইম্ফালনা শিন্দুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অমা ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

কচ্চরি নফমদা লাংবন থানা লাকপদা হায়বা থৌরম অদুদা ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌদুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট-ৱানসু ওইরিবা এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা হায়- ইরৈবাক ইরমদমবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরিবশিং থেংনবদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিং মীয়ামা কাউফম থোক্তে। মখোয়গী কৎথোকপগী থৌনা অদুনা ঙসিগী

মণিপুর অসি ওইবা ঙমলিবনি। মহাকা হায়- হৌরক্লিবা মীরোলনা ময়াই কাবা ড্রগতকী লাপথোকবা হোৎনশি। ড্রগতগী লাকপা অরানবা শেনফম কয়া শিজিন্নদুনা ইরমদম অসিবু মচেৎ তানবা হোৎনরি হায়বসি য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা খঙজিনমিন্নশি। য়েলহৌ ফুরুপশিংনা নুংশি চান্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইরমদম ঙাকমিন্নবা চংই।

থাবুম অমা চুপা চথুগদবা থৌরম অদুদা বোর্দনা চহি অসিদগী হৌনা সনাগী নিংশিং শগাই হায়না মণিপুরগী নিংথৌ কুলাচন্দ্র অমদি মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা য়ংমাসো শৈজা য়াওনা লৈখিদ্রবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদগী লৈখিদ্রবা অমাইবা অমাইবী অমদি পেনা শকপশিংগী মফমদসু হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমগনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী জোইন্ট দিরেক্তর জি. ধর্ম্মদাস শর্ম্মনা হায়রি- মণিপুরগী নট সংকৃটনগী লমদা খঙ হৈরবা ওজাশিংগী মতেংগা লোয়ননা কলা অসিবু ৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনমিন্নশি।

ৱাফম অসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল জন্মস্থানদা লৈবা নট সঙ্গিৎ একদমি এন্দ রিছার্স সেন্তরনা শিন্দুনা একাদমি অসিদা থা অমা চুপা চথুরকখিবা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবা অমদি একাদমি অসিগী ৩৩ মপোক কুমওন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা শ্রী ধর্ম্মদাসনা হায়- মীওইবনা পোকপদগী শিবা ফাওবদা শক শোন্নরিবা নট সংকৃটন অসি মতমগী অহোংবা শৈশক কয়া লাকখিবদগী ঙসিদি আর্ট ফোর্ম অসিগী মরাইবক তন্বা ঙমদবা ফিভমদা লৈরে। মহাকা হায়- ইং ২০১৩ দা য়ুনেস্কোনা আর্ট ফোর্ম অসিবু ইন্তেঞ্জিবল হেরিতেজ ওইনা শক খঙখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা মদুগী কান্নবা ফংবা ঙমদনা লৈরি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা একাদমি অসিবু লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা ওজা গুরুশিংগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ডে (এল)ঃ  মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম খাঙেন্বম তোম্বা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অথোকপম মখা লৈকাহ্‌না শিন্দুনা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে ২০২৬ ঙসি থৌবাল অথোকপম মখা লৈকাইগী লমদাইপুং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। চেঞ্জিং দ নরেটিভ ওন সুইসাইদ ৱিথ দ কোল টু এক্সন ষ্টার্ট দ কনভর্জেসন হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সাইকাইত্রিগী এম.দি ডোক্টর  প্রিতম লাইশ্রমনা- সুইসাইদ এন্দ ইটস প্রিভেন্সন হায়বা হিরমদা রিছোর্চ পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরমগী মনুং চন্না  সুইসাইদ এন্দ মেন্টেল হোলথ হায়বসিদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা কুইজ কম্পিতিটসন অমসু পাঙথোকখি।

পুলিস (এল)ঃ  অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী পিল্লর নম্বর-৫৩ অমসুং ৫৪ময়াদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী চান্দেল জিলাগী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যন্মার ঙমখৈ পরিংদা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা পিল্লর নম্বর-৫৪ মনাক্তা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা খুৎলায়শিং অদু ফংখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা পোম্পি অহুম, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৬, করবাইন ৩, লেথোদ গন অনি, গ্রেনেদ অনি, আই.ই.দি অনি য়াওনা নোংমৈ মরু কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, খাবৈশোইগী স্পেসিয়েল সি.দি.ও য়ুনিতনা প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- মীওই অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী  অৱাং ৱাবগাই মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ফাবনি হায়রি। মীওই অসি লুপ অসিগী খুৎশু খুৎলায় পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবনি হায়রি।

গাড়ি (এল)ঃ  নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পনদুনা লৈরকখিবা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং ঙসি

নুমিদাংৱাইরম নোনেদা থুংখ্রে। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- গাড়িশিং অদু সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকপা হৌখ্রে। হাইৱে পরিং অসিদা হৱাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংসু লৌখৎলি।

এমপিপি (এল)ঃ কৈশামথোং কেন্দ্রদগী ডাঃ শেরাম রোজেসপু মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)গী ৱাঙাংলোই ওইনা হাপখ্রে। দলগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ডাশঃ শেরাম রোজেসনা খুদক্তগী দল অসিগী ৱাঙাংলোই ওইনা থৌ পুরগনি।

উখ্রুল (এল)ঃ ভিক্সিত ভারত গরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন গ্রামিন (ভি.বি.জি রাম জি) উখ্রুল জিলাদা মায় পাকা পায়খৎলে। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা হায়- মীওই লিশিং ৩৩ হেনবদা জোব কার্দ ফংহন্দুনা জিলা অসিদা স্কিম অসিনা মীওই কয়াদা খুদোংচাবা ফংহল্লি।

সেমিনার (এল)ঃ হৌজিক্কি মণিপুরী খোরিরোল মনুং অমসুং মপান হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা হৌখ্রে। লৈমারোল খোর্জেকোল (লৈকোল)না শিনবা সেমিনার অসিদা মণিপুরী লোলগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মীওই মঙানা তোঙান তোঙানবা চে পাথোকখি। হয়েং নিনি চনবা নুমিৎতা সেসন অনি লৈগনি। সেসন অনি অসি লোইরবা তুংদা সেমিনার অসি লোইশিনবগী থৌরমদা মপান লৈবাক্তগী লাকপা সার্তিফিকেট য়েন্থোকপা অমসুং শৈরেং থিবনচিংবা পাঙথোক্কনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ- থাংজম অরুনকুমার, লৈকোলগী প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. সুবদনি দেবী, ইন্সটিট্যুট ওফ

কোওপরেতিভ মেনেজমেন্টকী দিরেক্তর ডাঃ কে.ঐচ. রামানন্দ ভগ্যচান্দ্র শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ মহৈ মরোং লোকপগী কুম্মৈ- নপথান ঙাই নোনে জিলাদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হৱাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লি। ফৌ, মনা মশিং, উহৈ য়াওনা মহৈ মরোং অহানবা লোকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা কুম্মৈ অসিদা মপুগী মফমদা থৌনিজবা য়াওনা লাইশোল ঈশৈ শকপনচিংবা পাঙথোক্লি। মহৈ মরোং মরাং কায়না পীবীবগীদমক মপুদা খুরুমজবা অমসুং জগোই ঈশৈ পাঙথোকপনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ওজা (এল)ঃ কুমশি চহিগী ষ্টেট টিচরস এৱার্দ পীবদা য়াওখিবা ওইনাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা ওইনাম রঞ্জিৎপু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। মহাকপু স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা হৱাউ তয়ামা ওকখি।

লিলোং (এল)ঃ লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শিন্দুনা থা খুদিংগী সেকেন্দ সেটরদেদা পাঙথোকপা একচেঞ্জ ওফ এক্ট এন্দ থোট হায়বা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এন. শান্টনা হায়- মহৈরোইশিংনা ওজা অমসুং অখণ্ড অহৈশিংগা ৱারী ৱাতাই শাদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোংদোকপা অসিনা মহৈরোইশিংগী তুংগী লম্বী শেম্বদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি।

ব্রিক্স ঃ ১৮ শুব ব্রিক্স মীফম নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌখ্রে। ভারতনা যুম্বু ওইদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী লুচিংবশিং অদুবু তরামা ওকপগী ৱারোল পীখি।

মীফম অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা নিড দিল্লি দিক্লারেসন পুথোকপদা য়েৎনবা য়াওদনা অয়াবা পীখি। মীফম লোইশিল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ঙসি পুথোক্লিবা নিউ দিল্লি দিক্লরেসন অসিনা মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংগী পুকিং ৱাখল অমদি মীৎয়েং খঙবা ঙমলে। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পুথোক্লিবা দিক্লরেসন অসিগী শিংথানিঙাই ওইবা মহয় ফংনবা হোৎনমিন্নশি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- তুংগী মীরোলগীদমক অনৌবা টেকোলোজিশিং শেমগৎ শাগৎপা অমদি অনৌবা নিতি নিয়ম চৎনহন্নবা হোৎনবদা গ্লোবেল সাউথ লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইবগী থৌদাং লৌমিন্নশি। ব্রিক্সনা চহি ২০ শুরকপগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা পোষ্টেজ ষ্টাম্প অনিসু পুথোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি ঃ নুপীগী জ়নিয়র এসিয়া কপ হোক্কিদা ভারত য়ুম্বা ওইরিবা চাইনাগা ফাইনেলদা থেংনরগনি। ঙসি চাইনাগী মোক্কিদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখিবনি। মেটচ অদুদা ভারতকী সুপ্রিয়ানা হেটট্রিক লৌখি। ভারতকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মধু সিদার অমসুং সখবির কোরনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগী সাউথ কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা য়ুরি জিওংনা চনখি।

লমজেল (এল)ঃ ৮৬ সুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন্না ঙসি নোনে জিলাগী পিনজাংদা কিলোমিতর ১০ গী মরাথোন অমা পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অসি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী সি.আর.পি.এফকী আই.জিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। মরাথোন অসিদা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। মরাথোন অসিদা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপগী নহা ১১০ না শরুক য়াখি। মরাথোন

অসি স্পোর্টস ফোর পিছ্ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোস দ নেসন স্পানদনগী মখাদা খেল্লো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা নহাশিংবু নিশাদগী লাপা থমবা অমদি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ভারত অমসুং আফগানিস্তান অনিগী মেটচ অহুমগী টি-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট হয়েংদগী নিউ দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। মেটচ অহুম্মক ষ্টেদিয়ম অসিদা শান্নগনি। মমাংদা শান্নখিবা টি-ত্বেন্তি মেটচশিংদা ভারতনা মেটচ ৮ থোইখি। মেটচ অমনা রিজল্ট ফংখিদে।

------